# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১৩৪

**ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম**

*সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল* ২০১৬ পুথোকপা ঙমখিদবসি মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক মীয়ামগী অচৌবা মায় পাকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা মাগী মাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপা অমত্তা মীয়াম্না থাজনীংঙাই ওইদে। মপূং ওইনা অৱাং নোংপোক মীয়ামগী কল্লবা ঈরাং অদুনা বি জে পি লৈঙাক্তা অৱাং নোংপোক মীয়াম্বু য়েংলকপা মীৎয়েং অদুদা পোলিটিকেল পার্টি হায়বা থমদনা মীয়াম্না শিবা কিদনা থম্মোয় শেংনা হৌরকপা ঈহৌ অদুনা পুথোকপা ঙমখিদবনি হায়বসি ময়েক শেংনা পূম্নমক্না হায়নরুবা নাইদনা খঙনখ্রবনি। মসিগীদমক মণিপুরগী মনুংদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মনা লৌফম থোক্তে। মণিপুরগী মনুংদা খুন্দামিন্নরিবা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয় শেংনা হোৎনজখিবা অদুগী খুদোল অমনি। মসিগী ঈহৌ বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা মণিপুরদা চখরকখিবা থৌদোক ৱাথোক মীয়াম্না মৈ ঈশিংনা চামদুনা কোকপা ঙমলরোইদবা অচৌবা চৈথেং অমনি।

সিটিজনশিপকী ৱাথোক অসি সেন্টরদা লৈঙাক পুরিবা বি জে পিগী লৈঙাক্না নমদুনা বিল পাস তৌনবা হোৎনরকখিবা পূম্নমক মীয়ামগী ঈহৌনা ঙমহনখিদবনি। মসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা মনা থাবা খক য়াররোই। মণিপুরসু শ্রী বিরেনগী বি জে পিগী লৈঙাকনি। মশাগী পার্টিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রগা করিসু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদবসি ওন্থোক্না ৱাহন্থোক লৈনা মীয়াম্না লৌনদবা নত্তে। অসিগুম্বা মীয়াম্না য়াদ্রবা বিল অসিগী ৱাথোক মফম কয়াদা থোকখ্রে। লমদমসিগী ইমা ইবেল অমদি মহৈরোয় খুন্নাই, নহারোল কয়ানা চঙশিল্লকপা ঈহৌ কয়াদা অশোক অপন থোকহনখিবসি কৈদৌনুংদা কাউবা খক য়াররোই। মসিগী খুদোংচাবা লৌনবা পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা হোৎনজরবসু মীয়াম্না থম্মোয় থম্মোয়দা থম্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফোঙদোক্নদবা কয়া লৈতবদি নত্তে। মপূং ওইনা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা খুদোংচাবা লৌবা হায়বসি উরোক থোং লাল্লবসু পাউদম্বা য়াবদি নত্তে। মসিগী মতাংদা সেন্টরদা বি জে পিগী লৈঙাক লৈজরবসু মণিপুরগী বি জে পিনা লুচিংবা শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসি মখূৎ মসা পুন্দুনা থম্বগুম থোকখিবশিং থবক ওইনা ময়েক শেংনা খঙনখ্রবনি। মসিদা শ্রী বিরেনবু হরাউ তয়াম্বা, নুংঙাইবা ফোঙদোকপসি ঙসিদি মীয়াম্না ফোঙনা খঙনখ্রবনি। শ্রী বিরেন্না মাগী ঙমজবী হোৎনৈ, হোৎনদে হায়বা পোলিটিক্সপু থবক ওইনা চেন চোঙজরবশিং অমদি মাগী খোঙলোইশিংনা ইখঙ খঙনবা ঙাক্তনি। সিটিজনশিপ বিল পুথোকপা ঙমদবসি বি জে পি লৈঙাক অসিনা নত্তে হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবনি। ৱাথোক অসিগী মায় পাকপদি মীয়ামগী ঈহৌননি, পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী থৌইনশিন্দগী নত্তে। মসিদা খুদোংচাবা লৌনবা লৈবাক মীয়ামদা উৎ চাইবদি অপংবা মপান থোকপা ওইনা লৌনগনি। মসিগী খুদোংচাবা তানবশিং মীয়াম্না খঙনরবনি। মপূং ওইনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমী তম্মী খুদিংমক্কী চপ মান্নবা ঈহৌনা মায় পাকহনখিবনি। মপূং ওইনা অসামগী পোলিটিকেল পার্টিনা বিল অসিগী মায়োক্তা থম্মোয় শেংনা থেংনখিবা ওন্থোক্না য়াম্না লুম্না লৌনখিদবা নত্তে। মসিগী মথক্তা মিজোরামগী লৈঙাক্না ঈহৌসিদা থম্মোয় শেংনা য়াওশিন্দুনা লৌখিবা থৌদাং অসিগুম্না মণিপুরগী শ্রী বিরেনগী বি জে পি লৈঙাক অসিনা থৌনা ফনা চোঙথোকখিদবসিনা মণিপুরগী লৈঙাক পায়রিবা অসিনা উৎখিবা অসিমক ওন্থোক্না ৱাহন্থোক লৈনা লৌনদবা নত্তে।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা বি জে পিগী শ্রী বিরেনগী লৈঙাক অসিবু সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুম্না লৌখি, লৌখিদে হায়বসি মমাঙগী থবকশিংনা য়েৎনবা লৈতনা খঙনখ্রবনি। তশেংনমক মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মশক থোকপা থবক হন্দক্কী সিটিজনশিপ বিল অসিনা পার্টি খুদিংমক্কী পৱার মীয়াম্না খঙনখ্রে। মরম অদুনা শ্রী বিরেনগী বি জে পিগী লৈঙাকসি সেন্টরগী বি জে পিনা করিসু থৌশাদবগী ইখঙ খঙনখ্রে। মসিগী মথক্তা সেন্টরগী বি জে পিনা ঙসিসু লাক্কদৌরিবা লৈঙাকসিদা বি জে পিনা সেন্টরদা পাল্লবদি সিটিজনশিপ বিল শোয়দনা পাস তৌবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়বসি য়াম্না লায়না/তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট খরসিদগী লাকপা এম পি খরসিনা ইন্দিয়াগী অচৌ-অচৌবা ষ্টেটশিংদগী এম পি মশীং য়াম্না হেনবনিনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং অসিবু থৌশাদবনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোকখি। মরম কয়াশিং অসিনা ঐখোয়না ইন্দিয়াগী মপাঙ্গল শেমগৎলিবা বি জে পিগী পার্টি অসিনা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি হন্দক্কী লাক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সন অসিনা হেন্না হেন্না খন্থবগী মতম অমসুনি। অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংনা তুংগী পোরম লম্বী অমদি য়াৎমিন্নবা মতম ওইরে। লায়রবনা মশীং হেন্না লৈবা মণিপুরদদি শেঞ্জা থুমজা শেঞ্জাও পায়বা খরগী খূৎতগী নান্থোক্নবা হোৎনবগী মতম ওইরে। মসিগী মখা চখরকপদা মণিপুরদা ভোটকী মতমদা শেঞ্জাও পায়বশিংনা ভোটরশিং শা-ঙা, মনা-মশিং লৈবগুম লৈনরবা মতমনি। মসিগী পরাসি খঙনা খঙনা ঙসিমক ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা অৱাবশিং খঙমিন্নবা মতম ওইরে। মখা তারকপদা পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী কারকপা এম এল এশিং অসি ভোটকী মতমদা ভোটর লৈবদা চঙখিবা য়েংনদুনা মশা মশাগী পার্টি থাদোক্নগা পার্টি অমদগী হোংদোক হোংজিন তৌবা পৈশগীদমক খল্লগা চখরকখিবশিং মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙনখ্রে। দেমোক্রেসিগী নম্বর গেমদা ২২ কাবা বি জে পিনা ২৮ কাবা পোলিটিকেল পার্টিবু নম্বর গেমগী ঈহৌদা থোকখিবসি মীৎমাংদা ককপা য়াদনা থবক্না খুদম চাংদম ওইনখ্রবনি। ঐখোয়গী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক মীয়াম্না থাজবা য়াবা পার্টি লৈশিল্লক্তবসি অচৌবা অৱাবা অমনি। মণিপুরদা থবক ওইনা ২২বু নম্বর গেমগী লৈঙাক্তা ২৮বু মায়থীবা পীখিবসি মৈ ঈশিংনা চামদুনা কোক্নরোইদবা অচৌবা ৱাথোকনি। অদুবু ঙসি ফাওবা চোঙথোক চোঙশিনগী ৱাথোক তুমিন লৈবসি ঐখোয়গী দেমোক্রেসি অসি পাঙ্গল শোল্লিবরা, দেমোক্রেসি শিরবরা? ৱাহং অমদি চাউনা লৈতবা নত্তে।

ঙসিদগী চহী ১৫গী মমাঙদা এম এল এ লৈথোক লৈশিন, চোঙথোক চোঙশিনগী ৱাথোক ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরদা নম্বর অমদা লৈরম্মী, ঙসিসু লৈতবা নত্তে। ঐখোয়গী মণিপুরদদি আইন্দগী চৎনবীনা হেন্না কল্লি হায়বসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। মতম অমদা পোলিটিকেল পার্টি অমমমগী লালহৌবা কাঙলূপ অমমম লীংখৎলম্মী হায়না ঙাঙনখি। ঙসি লালহৌলূপ শেমগৎপগী ৱাফম তুং ওইনরম্লগা মহৈরোয় খুন্নাইগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মহৈরোয় লূপ অমমম শেমগৎনরকপা তরাইদে। লৈবাকসে ওল্লে। কুচুসু ওল্লে। লৈঙাকসু ওল্লে। মীয়ামগী থম্মোয়সু ওল্লে। অদুবু অহোংবদি অমত্তা পুরকপা ঙমদে। লমদমসিদা লায়রবগী থাক নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। ইনাকখুনবা মীগী মশীংসু ৱাংখৎলকই। চরা হেনবা ইমুং লৈশিল্লক্তরে। অদুবু ৱাবদি নোংমা নোংমগী হেনজিল্লকই। মসিদবু করম্না হিংগনি। মতম অমদা ভোটতা ভোটর লৈবগী থবক লোন্না-ফোঙনা চৎথরম্বশিং ঙসিদি পূম্নমক ফোঙনা চখনরে। মসিদবু ওন্দে হায়বা য়ারিবরা?

মণিপুর অসি ইন্দিয়গী ষ্টেট পূম্নমক্তগী তোপ তোপ্পা শক্তম অমদি শোয়দনা লৈগনি। হীরম খুদিংদা তোপ তোপ্পা শক্তম অমদি লৈজবা লমদমনি। লমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা য়াওজরিবা তোপ তোপ্পা মগুন অমা লৈজবনি। পিকখ্রবা মণিপুরদা মীশিংসু য়ামজদ্রবা লমদমসিদা লালহৌ লূপ মশীংসু ইন্দিয়াগী চাউর-চাউরবা ষ্টেটশিংদগী হেন্না লৈরমগনি খল্লি। মসিনা অরোনবসি অফোঙবা মহৈরোয় খুন্নাইগী লূপনসু মশীং হেন্না লৈরমগনি। পোলিটিকেল পার্টিসু মশীং হেন্না লৈরমগনি। লুচিংবা পাম্বা মীগী মশীংসু হেল্লি হায়বসি থবক্না লেঙদ্রবা খুদম চাংদমনি। মরীল লৈবা লুচিংবশিং হেন্না লৈরমগনি। লৈঙাক্কী শেঞ্জা থুমজা, হুরান লনাগী অরোন-অফোঙসু মশীং হেন্না লৈরমগনি। মতম মতমগী লৈঙাক্কী শেঞ্জা থুমজাসু মশীং খঙদনা লৈরমগনি। অসিগুম্বা লমদমসিদা পোকচরুবা হায়বসি খ্বাইদগী লায়বক ফবরা? লাইবক থীবরা খন্থদুনা য়েংবীয়ু। ঐখোয় ইন্দিয়াগী আইন মণিপুরদা হেক থুংলবদা ওন্থোকপা ওনশিনবা হৈবা মীশিং কয়ানি। শেঞ্জা থুমজাগী থবক, অরোনবা করবার নম্বর ফোর, য়ু অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাক মখল কয়া শুনা থোকপা লমদমনি। অসিগুম্বা অসিনা মপান্দগী লাকপা ওফিসরশিংনা মণিপুরদগী অতোপ্পা ষ্টেটতা হোংনিংদে। মণিপুরদা ফজ ফজরবা আইন কয়াবু ওন্থোক ওনশিন তৌরগা ওফিসর কয়ানা মনীং তম্না শান্নজবা য়াবা লমদমনি। য়ুনা ঈশিং ওন্থোকপা, নম্বর ফোরনা অচম্বা পাওদর ওনশিনবা য়াবা লমদমনি। করবার মচা মচা তৌজবশিং চৈরাক ওইনা জেলদা থমগনি। করবার অচৌ অচৌবা তৌবশিংনা থাদোক্কনি। নম্বর ফোর গ্রাম ৫/১০ ললোনবশিং তোয়না ফাগনি, নম্বর ফোর করবারদা কিলো-কিলো ললোনবশিং ফাবগী মহুত্তা থাদোক্কনি। অসিগুম্বা লমদমসিবু সনা লৈবাকনি হায়রোইদবা লৈবরা? সনা লৈবাক মণিপুর, মনি থোকপা মণিপুর, মনিগী লৈবাক মণিপুরনি। অসিগুম্বা লমদমসিদা মীতোপ মীয়ানচাশিং খুন্দানীংদবা য়াওরম্লোই।

মরম অদুনা সিটিজনশিপ বিল পাস তৌরগা লমদমসিগী মীয়াম মরক্তা খুন্দানীংলোইদবা লৈতে। মরমশিং অসিদগী মতম মতমগী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক তুংগী মীরোলগীদমক খন্থমিন্নরসি হায়না মীচম মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা শিবা কিদনা চোঙথোক্নরকপনি। অপংবনা লান কিদে হায়বদুনি। মমাঙথক্কী থৌদোকশিংদা ময়েক শেংনা উনখ্রে। 'নুপী লান' বৃটিশকা লম্বা তৌনখিবশিং নোংমৈবু থাঙ-তাগা থেংনগনি চোঙথোরকপা অঙকপা নৎত্রা? ঙসিগী মীয়াম্না খঙহৌ উহৌরবা চাক তাঙবগী লাঞ্জংদা প্রমোদিনি, নিলমনিনচিংবা মীচম কয়াগী পুন্সি মাঙখিবা, জুন ১৮গী থৌদোক্তা মীচম ১৮গী পুন্সি মাঙখিবা, পুৱারীনা লেঙদ্রবা খুদম চাংদমনি। অসিগুম্বা মতমদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা থৱায় থাদোকপা, কখোকপা ঙমখিদ্রবা লমদমনি। পোলিটিক্স য়াওজদ্রবা থম্মোয় শেংজবা মীচম চা কয়া কয়ানদি ইরমদম মণিপুরগীদমক শিবা কিদনা লৈবাক্কী, ইরমদমগীদমক চোঙথোকখিবা কয়াবু ঙসিগী মীরোলসি মশীং খঙনা লেঙদনা হিমালয় চীংজাওগুম লেপচবা লমদমসিগী ইমা ইবেল, ইচিন ইনাও অমদি খুন্নাইশিংতনা লেপলিবা মণিপুরনি।

অরোইবদা থমজনীংলিবদি মণিপুরগী লুচিংবা পোলিটিকেল পার্টিশিং থম্মোয় শেংনা তুংগী মীরোলগীদমক খন্থরগা থম্মোয় শেংনা লৈঙাকপীরকউ। ইজৎকীদমক হিংমিন্নরসি। ইশা ইশাগী ইমুং মনুংগী, মরী মতাগী লীদর থাদোক্নরসি, চিনগা খূৎকা মান্নরসি, হুরানবনা খূৎলিংবা, হুরানবনা লৈঙাক পায়বগী ৱাখল থাদোক্নরসি। এম এল এ, মন্ত্রি ওইদ্রিঙৈদা মীয়ামদা পীরম্বা ফজ-ফজরবা ৱাফম কয়া এম এল এ, এম পি, মন্ত্রি ওইরবা মতমদা হেক হেক কাউথোকপসি করম্বা লাইৱানো, করম্বা শকলোননো? ঙসিগী নহারোল, ঙসিগী ইমা ইবেলশিং ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিং তুংগী মীরোলগীদমক অশানবা মীৎয়েং য়েংমীন্নরসি। হুরানবনা লৈঙাকপা লমদম ওইহল্লগুমসি, হুরানবদা য়ূম শো শিন্নরগুমসি, লাক্কদৌরিবা মীয়ামগী মাঙদা লৈরিবা এম পি ইলেক্সন অসিদা চুমথোকহৌরসি। ঐখোয় মান্নবা শক্তম ময়েক শেংনা ফোঙলসি, মণিপুর মীয়াম্না পাম্নদ্রবা, মীয়াম্না য়াদ্রবা কয়াম কুইনা চৎনগনি, মীওইবা ওমর নত্তে। ঙসিগী শেল থুম ওইজনাম পাম্বশিং হায়দ্রোজেন, এটোম বোম্না মাঙহনবগুম মাঙহনখ্রসি। মীয়ামগী জয় লৌমিন্নরসি। শেলনা থম্মোয় থম্মোয় খুদুম চলহল্লগুমসি, পুল্লসি ঐখোয় অপূনবগী পাঙ্গল শেমগৎলসি।

**মমি ৱারী**

## 'মঙগী মচুম'

### *তিংথৌনু*









*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*